## নাটোগী ৱাফম তরাম্না ওকখ্রে

কাবুল, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরক্তা অফঘানিস্তানদা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবা ফিভম লাকহন্নবগীদমক্তা হ্যুমেনিটরিয়ন সীজফায়র অমা পুরকপগী ৱাফম য়াওনা মথং লৌখৎলকপা য়াবা খোঙথাং কয়াদা মীৎয়েং থম্বা নাটোগী ষ্টেটমেন্ট অফঘানিস্তান্দা মরী লৈনবা খুদিংমক্কী মরক্তা শংদাইনবগী ফিভম লাকহন্নবা হোৎন্নবা হাপখিবা য়ু এসকী অখন্নবা রিপ্রজেন্টেটিভ জালমে খালিজাদনা তরাম্না ওকখ্রে।

নাটোনা টালিবানদা হাৎন-শুনবগী ইরাং হন্থহন্নবা তকশিনবগা লোয়ননা অফঘান গভর্নমেন্টতা পোলিটিকেল ৱাথোক লোইশিন্নবা অপিল তৌরদুনা নাকল অনীনা য়াম্না থুনা প্রিজনরশিং থাদোক্ল বগী ৱাফম হৌদোকখিবা মতুংদা এনভোই অসিনা নাটোগী ৱাফম অদুবু তরাম্না ওকখিবনি।

## টেররিষ্ট ২ হাৎখ্রে

শ্রীনগর, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা সাউথ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অৱান্টিপোরাগী গোরি পোরা ভিলেজদা সিক্যুরিটিশিং ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট অনী অমসুং টেররিষ্ট এসোসিয়েট অমা শিখ্রে হায়রি।

# কিমগী ফিভমগী মতাংদা এদভাইস পীনবা চাইনানা মেদিকেল এক্সপার্টশিং য়াওবা টিম থাখ্রে



বৈজিং, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উনগী হৌজিক লৈরিবা হকচাংগী ফিভম পাউতাক পীননবা চাইনানা মেদিকেল এক্সপার্টশিং য়াওবা টিম অমা নোর্থ কোরিয়াদা থাখ্রে হায়না ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মরমদা মুন্না খঙবা মীওই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী লিদর অসিগী হকচাংগী ফিভমগী মতাংদা য়েৎননিংঙাই ওইবা রিপোর্ট কয়া ফোঙনরিঙৈ চৈরক্তা চাইনানা দোক্তর অমসুং ওফিসলশিংগী টিম অমা থাবগী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

কিমগী হকচাংগী ফিভমগা মরী লৈননা চাইনিজ টিম অদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অদুনা করি ইঙ্গিৎ পীরিবনো হায়বা এজেন্সিনা খুদক্কী ওইনা লেপ্পা ঙমখিদে। চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ইন্টরনেসনল লিয়েজন দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র মেম্বর অমনা লুচিংবা দেলিগেসন অমা শগোলশেল নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়াগীদমক বৈজিং থাদোকখ্রে হায়না মীওই অহুমদুগী মরক্তগী অনীনা ফোঙদোকখি।

দিপার্টমেন্ট অসি য়ুমথংনরিবা নোর্থ কোরিয়াগা দিলিং তৌনরিবা মরু ওইবা চাইনিজ বোদিনি। হীরম অসিগী মতাংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী কমেন্ট অমত্তা পীয়ু য়াখিদে হায়রি।

সিওলদা বেজ তৌবা ৱেবসাইট দেলি এন কেনা চয়োল অসিগী অঙনবদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম এপ্রিল ১২ দা কার্দিওভাস্কুলর প্রসিজর অমা চথখিবা মতুংদা হকচাং ফগৎলকপা ঙাইরি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী মশক মমিং ফোঙদোক্তবা সোর্স অমা পল্লদুনা ফোঙখিবা মতুংদা খোঙথাংশিং অসি লাক্লিবনি।

সর্জরি অদুগী মতুংদা কিমগী হকচাং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা মতুং তারকপদা ফোঙলকখিবা রিপোর্টশিংবু সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিং অমসুং লিয়েজন দিপার্টমেন্টকী চাইনিজ ওফিসল অমনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা নোর্থ কোরিয়াদা মহৌশাগা মান্নদবা থবক-থৌওংশিংগী খুদম-চাংদম অমত্তা ফংবা লৈতে হায়খি।

শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু কিম য়াম্না কন্না নাদুনা লৈরে হায়বা মমাংদা ফোঙনখিবা রিপোর্টশিং লাল্লম্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। ইরাই নুমিত্তা সাউথ কোরিয়ন সোর্স অমনা কিম হৌজিক হিংলি অমসুং য়াম্না থুনা মহৌশাগুম্না উবা ফংলগনি হায়বগী ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট ফংলে হায়না ফোঙদোকখি।

# নারম্বদগী ফরবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং অমুক হন্না লায়না চঙলোই হায়বগী ইভিদেন্স লৈতে



জিনিভা, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯দগী ফদুনা মশাদা এন্টিবোদিশিং য়াওজরবা মীওইশিংদা অমুক হন্না কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন থোক্লিংঙাই ওইদে হায়বগী ইভিদেন্স হৌজিকফাওবগী ওইনদি ফংদ্রি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এচ ও)না ফোঙদোকখ্রে।

সাইন্টিফিক ব্রিফ অমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এজেন্সি অসিনা মালেমগী গভর্নমেন্টশিংদা কোভিদ-১৯না শোকহনখ্রবা মীওইশিংদা ইম্যুনিটি পার্সপোটশিং নৎত্রগা রিস্ক-ফ্রী সার্টিফিকেসনশিং পীদনবা ৱার্নিং তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি মতম চুপ্পগী ওইনা লায়না অসি মখা তানা নারক্লোই হায়বগী গেরেন্টি লৈতে হায়খি।

নারম্বদগী ফরবা মীওইশিংনা শাথিরবা নোভেল কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা ষ্টেন্দার্দ চেকশিন-থৌরাং কয়া পীরিবসিদা থৌশারক্তবা য়াই হায়রদুনা প্রক্তিস অসিনা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরকপা য়াবগী রিস্ক থাঙ্গেশেংনা হেনগৎহল্লকপা য়াই হায়নসু ব্রিফ অদুদা পনখি।

কোভিদ-১৯ থোকহল্লিবা ভাইরস সর্স-কোভি-২ থেংননবগী এন্টিবোদিশিংনা ইম্যুনিটি পাসপোর্ট নৎত্রগা রিস্ক-সার্টিফিকেটশিং পীনবগী মরম ওইবা য়াই হায়না লৈবাক কয়াগী গভর্নমেন্টশিংনা ফোঙদোক্লখিবা অসিনা অসিগুম্বা সার্টিফিকেটশিং পীদুনা মীওই কয়াবু চৎথোক-চৎশিন তৌবা নৎত্রগা অমুক হন্না থবক্তা মায় ওনশিনহনবা ঙমহল্লগনি হায়বগী থাজনবা অমা লৈবা উই হায়না দব্লিয়ু এচ ওনা ফোঙদোকখি।

# হৌথি রেবেলশিংনা প্রো-গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা এটেক চথখ্রে



সানা, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংনা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অদুগী ধালিয়া প্রোভিন্সদা প্রো-গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়োক্তা অচৌবা মিলিটরি ওফেন্সিপ অমা চথখিবগা লোয়ননা নাকল অনীমক্কী ওইনা মীওই ১৬ শিখ্রে।

হৌথি রেবেল কয়ামরুম্না ধালিয়া প্রোভিন্সকী নোংচুপ থংবা শরুক্কী অল-হুসা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা প্রো-গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মফমশিংদা অকনবা এটেক চথখি হায়না মিলিটরি সোর্স অমা পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

সোর্স অদুনা জোইন্টস প্রো-গভর্নমেন্ট য়েমেনি ফোর্সশিংনা হৌথি রেবেলশিংগা পুং কয়া কন্না লান শোক্লরবা মতুংদা রেবেলশিং মফম অদুদগী হন্দোকহনবা ঙমখ্রে হায়নসু সোর্স অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না নাকল অনীগী মরক্তা কন্না লান শোক্লবা অমসুং আর্টিলরি সেল কাপশিন্নবদগী হৌথি ফাইটর ১১ অমসুং প্রো-গভর্নমেন্ট লান্মী ৫ শিখি। লান অদুদা হৌথি ফাইটর ১৩ অমসুং প্রো-গভর্নমেন্ট লান্মী ১১ হেন্না অশোক-অপন নংখি।

হৌখিবা চহীদা ইরানগা মীচং ওইনবা হৌথি ফাইটরশিংনা য়েমেনি গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী পোজিসনশিংদা পরিং নাইনা অকনবা এটেকশিং চথদুনা ধালিয়া প্রোভিন্সকী চিদায়দা লৈবা মরু ওইবা মফম কয়া খুদুম চনবা ঙমখি। ধালিয়াগী অৱাং অমসুং নোংচুপকী মফম কয়াদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং হৌথি ফাইটরশিংগী মরক্তা চহী মরিরোম চুপ্পা লেপ্তুনা লান শোক্লরকখি।

কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা হৌথি মিলিস্যাশিংনা সানাদা বেজ তৌবা মালেম্না শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রব্বু মন্সুর হদিগী গভর্নমেন্টপু নমদুনা লোই চৎহনখিবদগী য়েমেনদা শাথিরবা সিভিল ৱার অমা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরকখিবনি।

# পোলিস-জর্মন বোর্দরদা লোকদাওনগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



জগোর্জেলেক, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

বোর্দর লাল্লুবশিং তঙাইফদনা ক্বারন্টিন তৌগদবনি হায়বা গভর্নমেন্টকী ওর্দরগী মায়োক্তা পোলেন্দদা লৈরগা জর্মনিদা থবক শুবা মীওই চা কয়ানা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা পোলেন্দগী সাউথ-ৱেষ্টর্ন বোর্দর টাউন জগোর্জেলেক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

পোলেন্দ অসি অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা ঙন্না বোর্দর থিংজিনখিবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসিনা বোর্দর লাল্লগা চঙলক্লিবশিংবু তঙাইফদনা চয়োল অনী লোকদাওন মায়োক্ল হনবগী থৌরাং অমসু চৎনহনখি।

থৌরাং অসি হিংনবগী শেন্দান লম্বীগা মরী লৈননা ঈ য়ুগী ষ্টেট অনীগী মরক্তা হায়দোক-হায়জিন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তদি অচৌবা চৈথেং অমা ওইখি। প্রোটেষ্ট অদু জগোর্জেলেক অমসুং বোর্দর থিংদ্রিঙৈগী মমাংদা লৈবাক অনীমক্কী টাউন অমা ওইনা লৈরম্বা জর্মন টাউন গোর্লিটসকা শম্নহল্লিবা ফুটব্রিজ অমদা পাঙথোকখিবনি।

জগোর্জেলেক্তা লৈরগা গোর্লিটস টাউনদা ওজাগী শিনফমদা থবক তৌবী মিরেলা বিনকিৱিজ কৌবী নুপী অমনা মহাক লাংদা থুবগুম চয়োল ৬ য়ুমদগী হেন্দোকহন্দনা লৈহল্লে। বোর্দর লান্দুনা মহাক্কী মহৈরোয়শিংবু তাকপি-তম্বীবগী থবক তৌহন্দ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মীওই ৩০০ পোলেন্দগী নাকল্লোমদা পুনখি অমসুং মীওই ১০০ রোম্না জর্মনিগী নাকলদা পুনখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই খরদি ফেস মাস্কশিং শীজিন্নখি।

গ্রুপ অনী অসি বোর্দর লাল্লগা চৎথোক-চৎশিন তৌনবা থিংনবগীদমক্তা থোং অদুগী ময়ায়দা মতম খরগী ওইনা শেন্লিবা মেটল ফেন্স অমনা খায়রগা তোঙান-তোঙান্না লৈখি। পোলেন্দগী প্রোটেষ্টরশিংগী বেনর অমদা ঐখোয় থবক তৌবা য়াহল্লু হায়না ইখি।

# ন্যুজ চেনেল অমগী কেমেরামেন কোভিদ পোজিটিভ ওইরম্লে



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

বেঙ্গলুরু সিটিদা বেজ তৌবা লোকেল ন্যুজ চেনেল অমগী কেমেরামেন অমা কোরোনাভাইরসকী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না থাংজ নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। চাংয়েং চথখিবা মিদিয়াগী অতৈ মীওই ১১৯ দি নেগেটিভ ওইরম্বা থেংনখি হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

ইরাই নুমিত্তা টেষ্ট তৌখিবা ইলেক্ট্রোনিক অমসুং প্রিন্ট মিদিয়াগী মীওই ১২০গী মনুংদা কেমেরামেন অমত্তমক কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরমখি। মহাক তোঙান্না থম্বগা লোয়ননা সিটি অদুগী দিজিগটেদ হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপাগী দিরেক্সনদা ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা সিটি অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ষ্টেটনা চল্লাইবা হোস্পিটাল অমদা লৌনগনবা লায়না অসিগা মরী লৈনবা থৌদোক-ৱাথোক খরা কোভর তৌখিবা সিটি অসিগী জর্নেলিষ্ট খুদিংমক ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ইরাই নুমিত্তগী স্কেনিং তৌবা হৌখি। নুমিৎ হুম্নিগী মেদিকেল চেকঅপ অদুগী অহানবা নুমিত্তা সিটি অদুদা নোং কন্না চুদুনসু কোভিদ টেষ্টকী থৌরাং অসিগা মরী লৈনবা মেদিয়া রেস্পোন্স পুল্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইখি হায়না ষ্টেট ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্তর (ন্যুজ) দি পি মুরালিধরনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মীওই ১২০ গী মনুংদা শুপ্পগী মীওই অমখক পোজিটিভ ওইরল্লিবসি পাউমী অয়াম্বগী ওইনা অফবা ইঙ্গিৎ অমনি হায়নসু ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা পাউমীশিংনা মখা তানা মাস্ক উপ্পুনা, সেনিটাইজর শীজিন্নদুনা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তুনা কোভিদ-১৯ চঙহনদনবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি। সিটি অদুগী পাউমী খুদিংমক টেষ্ট চথরবা মতুংদা ইনফোর্মেসন অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টশিংনা অতৈ সিটিশিংদসু মান্নবা চেকঅপশিং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা নেসনল প্লান অমা পুথোক্লবা তকশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯ লাইচৎকা মরী লৈননা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট (দি এম এ) ২০০৫কী মখাদা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎলক্তবগী থৌওংদা নুংনাংবা উৎপগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা গভর্নমেন্টতা কোরোনাভাইরস ক্রাইসিস থেংননবগী নেসনল প্লান অমা পুথোক্লবা তকশিনখ্রে অমসুং লোকদাওনগী থৌরাংশিংগী মতাংদা অমুক হন্না খন্নবগী মতম ওইরে হায়খ্রে।

গভর্নমেন্টনা মীয়াম্বু লোকদাওন তৌদুনতা অমসুং শেল-থুমগী থবক থৌরাংশিং লেপহন্দুনা থম্বা য়ারোই। মদুগুম্বা মওংদা পোলিসি অমা পুথোক্লদবা নত্তে। মসি ক্রিটিসিজমগী ৱাফম নত্তে। শুপ্পগী হৌজিক চথরিবা থৌরাংশিং অসি নৌহৌননা খন্থনবগী মতম ওইরে হায়বা ৱাফমদনি।

লাইচৎ অসি থেংনবদা ঐখোয়নসু গভর্নমেন্টপু শৌগৎলি। তশেংনমক মসি অফবা মহয় লাকহন্নিংবগী ক্রিটিসিজমনি হায়না কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর কাপিল সিবাল ভিদিও কন্ফরেন্সিগী খুত্থাংদা প্রেস কন্ফরেন্স অমদা হায়খি।

মহাক্লা হায়খি মদুদি, দি এম এগী মতুং ইন্না য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯ থেংননবগী নেসনল প্লান অমা পুথোকফম থোকই। তৌইগুম্বসুং ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি গভর্নমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিনবগী মওং অমা উৎলিবসিনি। কোভিদ-১৯গী নেসনল প্লান অমা লৈতবদগী য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা দি এম এগী মখাদা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংদা ওইনা শীন্নখিবগুম তৌরে।

তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, মী অমদি ফিজিকেল রিসোর্সশিংগা লোয়ননা ফাইনান্সিএল রিসোর্সশিং য়াওদনা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা পান্দেমিক অসি মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা মহাকনা হায়খি মদুদি, নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা মতম চানা থৌরাং লৌখৎনবা শেম-শাখিদে।

# ওনলাইনদা দোনেট তৌরক্লবা কর্নাতাকা সী এমনা অপিল তৌখ্রে



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

কার্নাতাকাগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপানা থাংজ নুমিত্তা কোভিদ-১৯গী দোনরশিংদা লোকদাওন মনুংদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লবগীদমক্তা মশা লাক্তুনা মহাক্কা উনরগা চেকশিং শীন্নবগী মহুত্তা দোনেসনশিং ওনলাইনদা ওইনা ট্রান্সফর তৌরক্লবা অপিল তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরস রিলিফ ফন্দ (সী এম আর এফ)গী দোনরশিংদা মশা লাক্লগা ঐঙোন্দা চেক শীন্নবিবগী মহুত্তা কন্ত্রিব্যুসনশিং ওনলাইনদা ওইনা পীবিরক্লবা হায়জরি হায়না য়েদিয়ুরাপানা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি মদুদি, মহাকপু মশা লাক্তুনা উনরগা চেকশিং শীন্নবগী থৌওং অসি থাগৎনিংঙাই ওইরবসু অসুম্না মশা লাকপগী থৌওং অসিনা কোভিদ-১৯গী মতম অসিদা ফিজিকেল নৎত্রগা সোসল দিষ্টেন্সিংগী পান্দম অরেম্বা তাহনবা য়াই।

দোনরশিংগী ইঙ্গিৎ ঐহাক্লা অদুক্কী মতিক থাগৎচৈ। তৌইগুম্বসুং মশা লাক্লগা উনরগা চেক শীন্নবা হায়বসিনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী পান্দমদি মায় পাকহল্লোই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

য়েদিয়ুরাপানা দোনেসন খুদিংমক একনোলেজ তৌগনি অমসুং মশা-মশা লাক্লবসু ওনলাইনগী খুত্থাংদা পীরকপা কন্সিব্যুসন খুদিংমক মহাক্লা শোয়দনা খঙগনি হায়না পনবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, কন্ত্রিব্যুসনশিং ওনলাইনদা লাকপা ওইরবসু মহাক্কী টিমনা মদুবু মঙোন্দা খঙহনবগা লোয়ননা দোনেসনশিং শোয়দনা একলোনেজ তৌগনি। সী এম আর এফকী ৱেবসাইটদা দোনরশিংদা মখোয়গী দোনেসনশিংগী অকুপ্পশিং ত্বিটরগী খুত্থাংদা খঙহল্লক্লবসু হায়রদুনা মহাক্লা মদুনা গভর্নমেন্টনা ওফিসল ওইনা দোনেসনশিং অমুক হন্না ত্বিটরদা ফোঙবা য়াহনগনি হায়নসু পনখি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস ১৫ কনফর্ম তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ৪৮৯ যৌরে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# ‘পি পি ঈ কিট, এন ৯৫ মাস্ক লাখ অমা হেন্না নুংতিগী শারি’



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি) :

লৈবাক অসিদা নুমিৎ খুদিংগী পি পি ঈ কিট অমসুং এন ৯৫ মাস্ক লাখ অমা হেন্না শারি অমসুং দোমেষ্টিক মেন্যুফেকচররশিংনা ভেন্টিলেটরশিং শাবসু হৌখিবগা লোয়ননা মেন্যুফেকচরর ৯গী খুত্থাংদা য়ুনিট ৫৯,০০০ হেন্না ওর্দর তৌখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা গ্রুপ ওফ মিনিষ্টরস (জি ও এম)গী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, হান্না লেপথোকখ্রবা দোমেষ্টিক মেন্যুফেকচররশিংনা পর্সনেল প্রোটেক্তিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) কিটশিং, ফেস মাস্কনচিংবা শাবা হৌখ্রবনি অমসুং পোৎশকশিং অসি হৌজিক মরাং কায়না লৈরে।

হৌজিক লৈবাক অসিদা নুমিৎ খুদিংগী পি পি ঈ কিট অমসুং এন ৯৫ মাস্ক লাখ অমা হেন্না শারি। হৌজিক পি পি ঈ কিটশিং শাবা দোমেষ্টিক মেন্যুফেকচরর ১০৪ লৈবগা লোয়ননা মেন্যুফেকচরর অহুম্না এন ৯৫ মাস্কশিং শারি। মসিগী মথক্তা দোমেষ্টিক মেন্যুফেকচররশিংনা ভেন্টিলেটরশিং শাবসু হৌখ্রে অমসুং মেন্যুফেকচর ৯গী খুত্থাংদা ভেন্টিলেটর য়ুনিট ৫৯,০০০ হেন্না ওর্দর তৌখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবগী চাং চাদা ৩.১ রোমনি। অদুগা লায়েংবদা লায়না অসিদগী ফরকপগী চাং চাদা ২০ হেন্দুনা অতৈ অয়াম্বা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা ফিভম ফনা লৈ। মসি লৈবাক অসিদা লৌখৎলিবা লোকদাওনগী থৌরাং অমদি ক্লষ্টর মেনেজমেন্ট অমসুং কন্টেনমেন্ট ষ্ট্রেটেজিগী মহয় ওইনা লৌবা য়াই।

ইন্দিয়াদা হৌজিক চাংচৎকী কোরোনাভাইরস কেস দব্লিংগী চাং নুমিৎ ৯.১ ওইরে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫,০০৬ নারম্বদগী ফখিবগা লোয়ননা অনাবা ফরকপগী চাং চাদা ২০.৬৬ নি। পেসেন্টশিং অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংদা তাথিবগী থৌওং লাকশিন্নবা ওর্দিনান্স অমসু চৎনহনখ্রবনি।